# এম পি লোরহো এস ফোজে অমদি এম এল এ লৈশিও কৈশিংনা চীংগী মনা মশিং খুদোল তমখ্রে




থৌবাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীহুৎ লোক সভাগী মেম্বর ডা. লোরহো এস ফোজে অমদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ লৈশিও কৈশিংনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অনাল খুল্লেনগী খুঙ্গাশিংনা পীরকপা চীংগী মনা মশীং অমদি মৈ থানবা শীং খাঙবোক এ সিগী মনুংচনবা লমদিং অমদি ৱাবগাই এ সিগী মনুংচনবা ইরোংগী মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

এদুকেস্নেল ইনহেন্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ই ই ও) লমদিংগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকপা মীয়ামদা খুদোল তম্বগী থৌরমগা মরী লৈননা লোক সভাগী মেম্বর ডা. লোরহো এস ফোজেনা হায়, কোভিদ–১৯ লান্থেংনরিবা অসিগী মনুং চন্না মতম শাংনা লোকদাউন তৌবনা মরম ওইরগা চীংদা লৈবশিংনা তমদা ফংবা চান–থক্নবা পোৎলমশিং ফংদবা অদুগা তমদা লৈবশিংনা চীংদা ফংবা মনা মশিং কয়া ফংবা ঙমদনা লৈরক্লি। অসিগুম্বা অৱাবা মতম অসিদা চীং তম অমত্তনি হায়বা নুংশিনবগী খুদম ওইনা চীংদা ফংবা চানবা মনা মশিং খরা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংচনবা লমদিং অমসুং ইরোংগী মীয়ামদা খুদোল তম্বনি। মতেং পাংনরিবা মনা মশিং খরা অসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খুদোল তম্বা অদুদা ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর এস শান্তি দেবী, ৱার্দ নম্বর ৩ গী কাউন্সিল্লর ৱাই ইবোপিশক অমদি এদুকেস্নেল ইনহেন্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন লমদিংগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা)না লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (এল ৱাই দি এ)গা খূৎশম্নদুনা হৈরোক এ সিগী মনুংচনবা লাংমৈথেৎ খুলগী য়ুমথোঙ ২০০ মুক্তা অহোংবা মমলদা চান–থক্নবা পোৎলমশিং ফংহনখ্রে।

এল ৱাই দি এগী সেক্রেটরী মাইবম সোমেন্না ফোঙদোরকখিবদি গভর্ণমেন্টনা লেপ্পা মমলদগী হন্থনা হোলসেলগী মমলদা তিলহৌ কেজিদা লুপা ৩০, অলু কেজিদা লুপা ২০, হৱাই মঙ্গল কেজিদা লুপা ৭০, অচাথাউ হাল্ফ লিটরদা লুপা ৫০, কোবি অমদি থবিনচিংবা খুঙ্গাশিংদা ফংহনখি। মসিগীদমক চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা, লনাই গারী মরাং কায়না লৈতবনা খুল অসিগী মীওইশিংনা তাঙলবসু তাঙনা অফংবা মফমদগী চান–থক্নবা পোৎ চৈ লৈরম্বা অদু অতাবা মমলদা খরদা ওইরবসু ফংহনবা ঙম্লে হায়বগী ৱাফমসু থল্লদুনা গ্রোসরি দুকানশিংনা মানা মানা য়োন্নিংবা মমলদা তঙাইফদনা চান–থক্নবা পোৎলমশিং য়োল্লিবা অসি গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু এল ৱাই দি এ অমদি লেৱাগী মায়কৈদগী আপিল তৌরি।

## বেঙ্ক ওফ বারোদানা তেঙবাং য়েন্থোক্কনি

ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
লোকেল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকাইনা কোভিদ–১৯ লাইচৎকা মরী লৈনবা সোসিয়েল সার্ভিসকী মখাদা বেঙ্ক ওফ বারোদা ক্বাকৈথেল ব্রাঞ্চনা লৈকাই অসিগী মীওইশিংদা চান–থক্নবা পোৎলমশিং হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ দা য়েন্থোক্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
মতম শাংনা তোপ চিংথা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী থৌগাই পুরম্বা মাইবম গুনা মৈতৈনা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ভিল্লেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি তোপ চিংথা অমদি ওল য়াইরিপোক ৱাটর টেঙ্করস টিম্না ঙসি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবসু উৎখ্রে হায়রি।

## বেথেল এস ঐচ জিনা মোইরাংগী মীয়ামদা মতেং পাংখ্রে



মোইরাং, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা ফুনচোংয়াং খুলগী বেথেল সেল্প হেল্প গ্রুপ্না চীংদা ফংবা লফু, লফু থরো, লোকলৈ, য়েন্থুম, মুকথ্রুবীনচিংবা এঞ্চাং মনা মশিং মখল কয়া মোইরাংগী মীয়ামগীদমক ঙসি এম পৃথিবীরাজ এক্স এম এল এগী য়ুমদা থিল্লক্তু না মতেং পাংখ্রে।

হায়রিবা তেঙবাং পোৎলমশিং অদু বেথেল এস ঐচ জিগী চিয়ারমেন এস কিকিম কোমনা লুচিংবা মেম্বর ১৮ না পুরকখিবনি। এক্স এম এল এ পৃথিবীরাজগী য়ুমদা মোইরাংগী তোঙান তোঙানবা লৈকাইদগী লাক্নখিবা ইমুং কয়াগী মীওইশিংনা মখোয়বু হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা তেঙবাং পোৎলমশিং অদু লৌখি।

এম পৃথিবীরাজ এক্স এম এল এনা হায়, কোভিদ–১৯গী লোকদাউন্না মরম ওইরগা চান–থক্নবা পোৎলমশিং ফংনদবগী ৱানরবা মতম অসিদা ফুনচোংয়াং ভিল্লেজগী খুঙ্গাশিংনা চীংদা হৌবা অমদি ফংবা মনা মশিং মখল কয়া খুদোল পীরকপা হায়বসি তুংগী মীরোলনা কাওররোই অমদি মমাঙঙৈদগী চীং তম নুংশিনবগী ৱারী অদু নৌহৌননা অমুক নীংশিংহল্লে।

এস কিকিম কোমনা মখোয়না পুরকপা চান–থক্নবা মনা মশীং খরা অদু হরাউনা লৌবিবগীদমক নুংঙাইবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## খুঁদে খুল্লেন খুঙ্গাশিংনা পুলিসতা খুদোল তমখ্রে

তেংনৌপল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চঙশিন্না লৈবা খুঁদে খুল্লেন ভিল্লেজগী খুঙ্গাশিংনা ঙসি খুল অসিদা ফংবা মনা মশিং, মঁহে মরোংনচিংবা পোৎলম কয়া তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

কোভিদ–১৯ গা লান্থেংনরিবা অসিদা ফ্রন্টলাইন্দা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পোৎলমশিং অদু এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ অমদি ও সি তেংনৌপল জোন লমকাংদা শিন্নখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগীসু খুঁদে খুল্লেন খুঙ্গাশিংগীদমক চেঙ অমদি ফেস মাস্কনচিংবা য়েন্থোকখি হায়রি।

এস পি বিক্রমজিৎনা পাউমী–শিংদা হায়, ঙসি খুঁদে খুল্লেন ভিল্লেজগী খুঙ্গাশিংনা পুলিসপু নীংশিংবিদুনা মনা মশিং মতেং পাংবিরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। খুঙ্গাশিংনা কোভিদ–১৯গা মরী লৈননা ফেস মাস্ক হাপ্পা মতমদা চেকশিন্না অমদি গভর্ণমেন্টকী য়াথং ঙাক্না য়ুমদগী মপান থোকপা মতমদা হাপ্পবা, সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং থম্নবা অমদি খূৎ–শা শেংনা হাম্বনচিংবা কাওদনবা আপিলসু তৌখি হায়রি।

## দ্রগ এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
কংলৈপাক দ্রগ এৱার্নেস এন্দ প্রিভেন্সন (কদাপ) মণিপুর অমদি লৈমরাম য়াইফ লমজিং লূপ লৈমরাম খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা দ্রগ এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না লৈমরাম কাংজেবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈনৌ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এন সোমানন্দ, লৈমরাম খুঙ্গাওগী খুল্লাকপা এল মাইমু, কদাপকী প্রসিদেন্ট টি রাজিব, জেনরেল সেক্রেটরী এ পৃথিবীরাজ অমদি লৈমরাম য়াইফ লমজিং লূপ (এল ৱাই এল এল)গী এদভাইজর এন মঙলেমজাওনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা স্প্রিচুয়েল হার্বোর সেকমাইগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কিশোরচান্দ, ইনুঙান দি–এদিক্সন সেন্টর ঘরিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর অপু চোংথামনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা লৌখিবা ৱারেপ খরগী মনুংদা ঙসিদগী হৌনা লৈমরামদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল খুদিংমক চাবা থকপা য়োনবা থিংলে অমদি করিগুম্বা চাবা, য়োনবা থেংনরবদি মশা মশাগী দাইত্ব ওইজগদবনি হায়বা য়াওরি। কদাপ অমদি এল ৱাই এল এল খূৎশম্নরগা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা হৈনরবশিং অচুম্বা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

## গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওদনা লম্বী শেমজিনখ্রে

কুম্বি, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বি এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংচনবা কুম্বি সাইতোন ময়াই লম্বীদগী কুম্বি খোংয়াং লৌ অমদি কুম্বি লৌতোম্বী কেনেল ৱাংমা লৌকোন তাবা এল এল আই কেনেল লম্বীগী অতৎপা মফমশিং কুম্বি লৌতোম্বী লৌকোলগী লৌমীশিংনা গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওদনা শেমজিনখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এল এল আই কেনেল লম্বীগী অতৎপা মফমশিং শেমজিনবা অমদি লৈবাক থোনবগী থবক অদুদা লৌতোম্বী লৌকোলদা লৌ উরিবশিংদা নত্তনা কুম্বি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৯ গী কাউন্সিল্লর ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংসু হাকথেংননা শরুক য়াখি। কেনেল লম্বী অসি তৎপনা মরম ওইরগা লৌতোম্বী লৌকোলগী অকুৎপা মফমশিংদা ঈশিং চেনশিল্লক্তুনা ইতৎ তত্তনা থুমজিনবনা ফৌ লোকপা য়াদবা অদুগীসু মথক্তা লৌ খোইবা অমদি লোকপা মতমদা ট্রেকতরনা লম্বী অসিদা চৎপদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা হায়রিবা কেনেল লম্বী অসি মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা মোইরাং শন্থোং, ক্বাক্তা খুমন, সাইতোন চরাংপাৎ অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইকোৎ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংচনবা ঙাইয়োং ট্রাইবেল ভিল্লেজশিং ফাওনরিবা মীয়ামগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বীসু ওইরিবনি হায়রি।

## চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী আই সি দি এস–সি এ এস হৌদোকখ্রে

চান্দেল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমসুং আই সি দি এস সেলনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার কৃষ্ণকুমারনা আই সি দি এস–সি এ এস হৌদোকখিবগা লোয়ননা চান্দেল, চকপিকারোং অমসুং খেনজোই আই সি দি এস প্রোজেক্টকী এ দব্লিউ দব্লিউশিংদা স্মার্ট ফোনসু য়েন্থোকখ্রে।

দি আই ও চান্দেলগী পাউনা হায়, ঙসিগী থৌরম অদুদা এস দি ও চান্দেল এস টি রিথুং অনাল, দি পি ও (আই সি দি এস) রঞ্জিৎ সিংহ, সি দি পি ওশিং, স্বাছ ভারত প্রলক, দর্সন তোন্তাং, সুপরভাইজর অমসুং এ দব্লিউ দব্লিউ শিং শরুক য়াখি।

আই সি দি এস–সি এ এস হৌদোকপা অসিনা এ দব্লিউ দব্লিউশিংদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখ্রে।

## নুপী কৈথেলগী মনিংথংবা শরুক্তা কৈরাক কাফম শাজিল্লকপা য়ারোই

ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
কোভিদ–১৯ লান্থেংনরিবা অসিগী মনুং চন্না কার্ফিউ অমদি লোকদাউন তৌদুনা য়ুম য়ুমদগী মপান থোকহন্দনা লৈরিঙৈ খুদোংচাবা লৌরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী নুপীকৈথেলগী মনিং থংবা শরুক্তা কৈরাক কাফম শাজিল্লকপা অসি য়ারোই হায়না দ্রাই ফিস ওনর এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী ও রাশিনা ফোঙদোরকখিবদি হায়রিবা মফম অসিদা মতম খরগী মমাঙদসু কৈরাক কাফম শাগনি হায়না তৌরম্বদা য়ানদবদগী তোকখ্রবনি। দুকানশিং অসি হান্না ফুট ৩৮ শাংলম্বনি অদুবু হৌজিক্না ফুট ১৯ খক্তমক শাংলি। অদুনা মাঙলিবা লমগী কম্পেন্সেসনসু লৌদে। ফিভম অসিদা অমুক কৈরাক কাফম শাজিন্নবা থৌরাংলিবা অসিনা লম্বী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা থোকহনবদা নত্তনা মৈহৌ লাংপোক থোকপা মতমদসু হেন্না খুদোংথিনি–ঙাই ওইরগনি।

লোকদাউন থুগায়দুনা দুকান মপুশিং খঙহল্লমদনা কৈরাক কাফম শারিবসি করম্বা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা শারিবনো হায়বা ৱাফমসু থল্লদুনা নুপী কৈথেল শেংদোকপদা অথিংবা অমত্তা লৈতে। অদুবু দুকানশিংগী মাঙলিবা লমদা মপু খঙহন্দনা কৈরাক কাফম শারিবা অসিদি শুকয়া য়ারোই। গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা য়েংশিনবিয়ু হায়রি।

## স্মার্ট ফোন অমদি ওপরেটিং স্কিল লৈতবা অঙাংশিংদি অৱাবা মায়োক্নরে

ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
কোভিদ–১৯ দগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না লোকদাউন অমসুং কার্ফিউ থমদুনা এদুকেস্নেল ইন্সটিটুয়সন পূম্নমক প্রাইভেট কোচিং সেন্টর য়াওনা থিংজিনখিবা থা ২ রোম ফাজিল্লক্লে। করম্বা মতমদা মঁহে লোয়শঙশিং হাংগদগে হায়বসু খঙদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা ওনলাইন টিচিং প্রোগ্রাম চথরবসু মোবাইল, স্মার্ট ফোন অমদি ওপরেটিং স্কিল লৈজদবা অঙাংশিংদি অৱাবা চৈথেং মায়োক্নরে হায়না দিমোক্রেটিক য়ুথ ফেদরেসন হৈরোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা ফোঙদোরক্লি।

দিমোক্রেটিক য়ুথ ফেদরেসন হৈরোক্কী সেক্রেটরী ময়েংবম গোবিন্দ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লাইরিক লাইশু হৈবা গার্জিয়ানগী মশীং ৱাৎপা, পেরেন্ট ক্যার থোইনা লৈতবা রিমোট এরিয়াগী অঙাংশিংদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা য়াবদগী কন্নবা হোৎনবদা মেদিয়াগী মতেং নত্তনা পাম্বৈ অমত্তা লৈরোই হায়না লৌই। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টকী অমদি লনাইগী মেদিয়া হাউসশিংনা মখোয়গী ওইবা প্রোগ্রামশিংদগী খরা ককথরগা য়ামদ্রবদা নোংমদা পুং ২–৩ দং টিচিং লার্নিংগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং শন্দোকপিরবদি খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি হায়রি। মসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়রি।

## কার্ল মার্ক্সকী মপোক থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
সি পি আই লংথবাল লোকেল কাউন্সিলনা য়ুম্মু ওইরগা ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা কার্ল মার্ক্সকী চহী ২০২ শুবা মপোক থৌরম ঙসি লংথবাল মন্ত্রিখোংদা পাঙথোকখ্রে।

সি পি আই লুচিংবা ডা. এন নরা সিংহ, ষ্টেট সেক্রেটরী লাইশ্রম সোতিনকুমার, এসিষ্টেন্ট ষ্টেট সেক্রেটরী কেঐচ সুরচান্দ অমদি লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম সিংহজিৎনা শক্লাইরবা রিভোলুস্নরি লুচিংবা অসিনা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোন পুথোক্লম্বা অমদি শুরি নোল্লিবা মীয়ামগীদমক মাঙজিল থানা থেংনখিবা অমসুং হিরমশিং অসিগীদমক পুন্সি কথোকখিবা কয়া অদু শীংথাদুনা নৈনখি।

সি পি আই লুচিংবা য়েন্দ্রেম্বম মঙ্গিনা ময়ায় ফম্লগা লোকেল সেক্রেটরী ওইরম্বা লাইফ্রাকপম প্রেমজিৎনা কন্দক্ট তৌখিবা থৌরম অদুদা ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা ইবা কার্ল মার্ক্সকী পুন্সি অমসুং ৱাখল্লোন হায়বা লাইরিক অমসু য়েন্থোকখি। হৌজিক মালেমগী ওইনা কোভিদ–১৯না থোকহল্লিবা অৱা অনাবু খোঙফম চেৎনা সি পি আইগী মেম্বরশিংনা থেংননবা অমদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা চেকশিন থবকশিং হেন্না কন্না চঙশিন্নবসু ফোঙদোক্নখি হায়রি।

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐগী সহধর্ম্মীনি ওইরম্বী **ওইনাম ওংবী মনি দেবী**–না মাগী নুংশিজরবা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতে খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০২।০৫।২০২০ ইং, কালেনগী ১০ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নরোতম দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৭।০৫।২০২০ ইং, কালেনগী ১৫ নি পানবা, শগোলশেন নুমিৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৫।০৫।২০২০ ইং,কালেনগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমিৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্ছগদৌরি।

লৈপাক্কী হৌজিক ওইরিবা COVID-19 গী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবীগী অরোইবা মথৌ–মঙম অসি ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতে খক্তা ওইনা পাঙথোকচরগনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক অহল–লমন, ইমা–ইন্দোন, মরুপ মপাং খ্বাই পূম্নমক্না ৱারৌবিদনবা নোল্লুকচরি।

থৌরম পরেংঃ
অয়ুক পুং ০৭.৩০ ঃ ভেগ কৎপা , অয়ুক পুং ৮.০০ ঃ সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

পাউজেঞ্জরিবাঃ
ওইনাম জমানা (মাঙ্গোলজাও) সিংহ (মপুরোইবা)
খাগেমপল্লি পনখা, নিংঙোম লৈরক, ইম্ফাল।
SL/6110/06

নুংশং (PILES) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খূদিংমক ঃ মপান্দা পোম্বা, তঙবা, ঈ–তাবা, ঈ–দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ পেচগারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্ববা, নায় চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), হাক্কৎচবা, অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং–তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ–খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পঙথবা–শিথবা, হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নিংবা লৈরগদি অমুক্তং লেঙথোকপিরক্তুনা তান্নবিয়ু।
লায়েংজরিবা – Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai
Contact No. : 8014023792/60091476
SL/6108/5 +(1M)

## ৱাইথৌ পাৎতা ঙা মচা ২৫০০ রোম থাদখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাইভ–র্সিটি (জে সি সি দব্লিউ বি) মণিপুরনা ৱাইথৌ পাৎকী অকোয়বদা খুন্দারিবা ঙামীশিং অমদি ৱাইথৌ লেক প্রোটেক্সন কম্মিটিগী সেক্রেটরী সনসম জিতেন মৈতৈ য়াওনা ঙসি পাৎ অসিদা ঙা মচা ২৫০০ রোম থাদখ্রে।

পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদি মহৌশাগী য়াম্না ফজবা পাৎ অসি হন্দক ঈশিং কংবগী খুদোংচাবা লৌরগা মেছিন শীজিন্নদুনা প্রাইভেট ফার্ম কয়া শেমগৎনরকপা অসিনা মরম ওইরগা মতম মতমগী চাক্তাবা লাকপা অতাঙবা মখলগী উচেক কয়া উবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্নরে।

জে সি সি দব্লিউ বিগী কনভেনর রোমেস নিংথৌজম্মা হায়, পাৎ অসিগী মপান তাংদুনা হিংলিবা ঙামী কয়াগা খূৎশম্নদুনা পাৎ অসিদা ঙা মচা থাদবা অসিনা ঙামী অমদি কম্মিটিগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি অমদি পাৎ অসিদা মখল কয়াগী উচেকশিং মনিং তম্না চাকতাবদা মীয়ামগী মতেং শোয়দনা ফংলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা অখন্নবা পাৎ খরদসু ঙা মচা থাদবগী থবক অসি পায়খৎলগনি। মসিনা মীয়াম অমদি কম্মিটিগী মরক্তা অফবা মরীসু শেম্বা ঙম্লগনি। হিরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

## থৌবাল তুরেল কন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংদা মতেং পাংগনি

থৌবাল, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা লেপ্তনা তুরেল অসিবু কন্নবা হোৎনরিবা অসি য়াম্না শীংথানিঙাইনি লোয়ননা কম্মিটি অসিনা লৌখৎলকপা খোঙথাং খূদিংমক্তা মপূং ফানা মতেং পাংগনি হায়না ৱাংমাতাবা য়ুথ ক্লব থৌবালনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরী সামোম মালেমঙানবা মৈতৈনা ফোঙদো–রকখিবদি লৈবাক্কী ৱানরবা মতম অসিদা তুরেল অসিদগী লোনা য়াদবা মওংদা নুঙ লৈঙোই পেক্তুনা ঈশিং নৈহল্লিবা অসি য়াম্না তমথিবা লিচৎনি। থৌবাল তুরেল অসি হান্নগুম্না লৈনাং চেল্লে, নুঙ লৈঙোই পুবা গারী কয়া লমজাও শোরোক্তা মনিং তম্না চেনবা উরে। মশাগীতা খনবা কাঙবুনা ৱাখল তাদ্রবসু থবক অসিদা মতেং পাংলিবশিংনা মীনুংশিগা লোয়ননা তুরেলদগী নুঙ লৈঙোই পেকপা লেপ্পিয়ু, শেল ফংলগা লোইরে হায়বা ৱাখল থাদোকপিয়ু, মীয়ামগী মীচৈ ওইবা থবক তৌরগা মায় পাক্না হিংগনি হায়বা খনবিগনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## তেঙবাং পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে

ককচিং, মে ০৫ (এস এন এস )ঃ
ককচিং উয়োক চীংয়া ককচিং গার্দেন মনাক্তা লৈবা মীৎ উবগী শক্তি লৈত্রবা কোইজম সন্ধ্যরানি অমদি অপোকপা থবক শুবা চৎপা ঙমদ্রবা কে বিহারিদা ইন্দিজেনস বার্দস প্রমোটরস (আই বি পি)ককচিংনা চান–থক্নবা পোৎলমশিং অমসুং শেলগী তেঙবাং খূৎশিন্নখ্রে।

আই বি পিগী জেনরেল সেক্রেটরী নাওরেম প্রেমজিৎনা হায়, মীৎ উদ্রবা সন্ধ্যরানি অমদি অপোকপা বিহারিগী অৱাবা খঙলুবদগী চেঙ, হৱাই, অলু, মোরোক অমদি অচাথাউ মেম্বরশিংনা খাইগৎনবা শেনফম খরগা লোয়ননা মতেং পাংখিবনি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৬–০৫–২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চয়েৎনবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। অনৌবা পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ চাং অমদা লৈ।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা থেংনরগনি। অমুক্তংদা পাঙথোকপা ৱাগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪,৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। লমতু চৎপা মী তিন্নবদি কান্নবা ফংলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** ৱাথোকপা, খৎনবা, তোখাই তাবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

**সিংহঃ** অমগা অমগা নুংশিনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** ৱাখল চরাংনবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙ–থোক্লগনি। হকচাং চাং অমদা লৈরগনি। মরুপ মফম চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২,১৩, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** হোৎনজমন কান্নবা, অফবা পাউ তাবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। অনৌবা পোৎ লৈশিল্লগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** তোখাই তাবা, অরানবা তাবা, শেল চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। খৎননিংগনি। শোক্কনবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফত্তে, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা য়ৈখাইবা পীবা, শেল চৎপা মত খেন্নবা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্বা, য়েংশিনবা য়াম্বা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। য়েংশিনবদি য়াম্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।

**কুম্ভঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪, ২৫ অফবনি।

**মীনঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, অফা অপুন থেংনবা, শেল হেন্না চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ হেন্না ফত্তে, ২৭ খরা ফগনি।

চাকঙাইঁ ৱারী-১৬
শীংজনবা অমসুং অশিবগী লাই
অইঁবা অমসুং অয়েকপা
লোং পান

হায়, তাখরেনে, শিরেনে মওং অমনিনে তৌরিসিদি



শীংজনবদু কিরক্লে
অশিবগী লাই ঐহাক য়ুমদা অমুক্তদি মুন্না খল্লুখিগে

